# ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং নীংশিংদুনা মীকপ থোকপা নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপনি

*-এমসু*

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ঃ ইং ১৯৫০ গী নভেম্বর ১৮ দা মণিপুরদগী ইন্নর লাইন পার্মিট (আইএলপি) সিষ্টেম লৌথোকখিবদগী লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লক্লিবা মীতোপ মীয়ানচাশিং মশা-মশাগী মরমদমদা হনখিনবা ইং ১৯৮০ দা এমসুনা চংশিনখিবা দিমোক্রেটিক ওইবা ঈহৌদা সিফাইশিংনা ফু-চৈবদা নত্তনা নোংমৈ কাপশিনবদা লৈখিদ্রবা পোৎশংবম লুখোই (প্রেমানন্দা) অমসুং হুইদ্রোম লোকেনবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা ৩৩ রক শুবা মীকপ থোকপা নুমিৎ (রিয়েলাইজেসন দে) থৌরম চহী অসিগী ওইনসু ঙসি পীশুম চীংঙামচা হাও গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুগা মরী লৈননা পিশুম চীংঙামচাদা লৈবা মহৈরোই লুচিংবশিংগী খুভমদা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

এমসুগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট এম অভীরাম, এদিসনেল ডাইরেক্টর মেক্সনা ফিরাল চিংখৎতুনা অমদি মহৈরোই য়াওনা মীওই চা কয়ানা লৈখিদ্রবগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুগী মপুংওইবা ৱারোল পীরদুনা এমসুগী সেক্রেটরি জেনরেল এল রোমেন্না হায়খিবদা, মণিপুর নীংখা তম্না লৈরিঙৈদো মতমদুগী নিংথৌশিংনা য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংগা লান ফাওবা তৌনদুনা য়েলহৌমীশিংবু ঙাকচরম্মী। মদুগী মতুং ইং ১৮৯১-১৯৪৭ ফাওবগী বৃটিশনা সাসন তৌবা মতম ফাওবদা লমদম অসিগী য়েলহৌমী কঞ্জনবা লৈরম্বা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনরম্মী। অদুবু লাইবক থীবদি ইং ১৯৪৭ কী ওক্টোবর ১৫দা মণিপুরবু ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা নমতিন তিনখিবদগী মতমদুগী ২ শুবা চিপ কম্মিস্নার ওইখিবা হিমট সিংহনা ইং ১৯৫০ গী নভেম্বর ১৮ দা মণিপুরদগী ইন্নর লাইন পার্মিট লৌথোকখি।

আই এল পি লৌথোকখিবদগীদি ষ্টেটসিদা অথিংবা য়াওদনা মীতোপ -মীয়ানচাশি লোন্না অমদি ফোংনা চংশিল্লকপা লেপত্রি। মসিনা ঙসিদি মণিপুরগী চীং  অমসুং তমদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা খুন্দাদবা লৈশিল্লত্ত্রবনি। থৌওংসিনা মতম কয়াদগী লৈরক্লবা য়েলহৌমীশিংগী মীশিংদগী মীতোপ মীয়ানচাশিংনা হেনগৎলকপদগী ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) নচিংবা মহৈরোই লুপশিংনা অপুনবা খোল্লাও অমগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী মীতোপ-মীয়ানচাশিং তাহোকখিনবা অকনবা ঈহৌ হৌদুনা লাকখি। মদুদা এমসুনা চংশিল্লকপা অচুম্বা ঈহৌসিবু উবিদবা সিফাইশিংনা ফু-চৈবা অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা মহৈরোই অনি অসি লৈখিদবনি। মখোয়বু নীংশিংবগা লোয়ননা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহনবা চংশিল্লকপা খোঙজংবু নীংশিংদুনা মীকপ থোকপা নুমিৎ থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অসিদা অখন্নবা ৱাঙাংলোইগী ৱারোলদা এমএসএফকী প্রসিদেন্ট এল উমাকান্তনা হায়খিবদা ঐখোয় য়েলহৌমী হায়বসি করিনো খঙমিন্নবা চংই। মালেমগী ওইনা য়েলহৌমীশিং কলহৌনবা অকনবা থবক লৌখৎনরবসু মণিপুরদদি য়েলহৌমীশিং মশিং খঙদনা চংশিল্লক্লিবা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা য়োৎশিল্লক্লিবসিদগী কলহৌনবা ষ্টেটসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহনবা চংশিনমিন্নবা মথৌ তাই। মসিগীদমক লমদম অসিগী এডুকেসন সিষ্টেম শেমদোক্তুনা অফবা মহৈরোই কয়াগা লোয়ননা অফবা চং থোকপা সমাজ অমা ওইনবা হোৎনমিন্নসি।

থৌরমদুগী অখন্নবা ৱাঙাংলোই ওইখিবা অমুকোগী প্রসিদেন্ট কেটি রহমন্না হায়খিবদা ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরমসিগী মরুওইবসি ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্দুনা মীতোপ মীয়ানচাশিং চংশিল্লকপা থিংমিন্নবনি। ঙসি মীয়াম্না হৈ-লৈ কৎতুনা ইকাইখুম্নবা উৎলিবা লুখোই অমদি লোকেন্না লৈখিদবসি লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং কলহৌনবা আইএলপি চৎনহন্নবা খোঙজং চংশিনবগীনি। মতম কয়াদগী মণিপুর মীয়াম্না মীতোপ মীয়ানচাশিং চংশিল্লকপা থিংনবা হোৎনরবসু সরকারনদি করিসু নাচুংদবসি লাইবক থিবনি।

সরকার অসিদি আই এল পি চৎনহন্দুনা য়েলহৌমীশিং কন্না হোৎনবা ঙমদবদা নত্তনা নুপী কয়া ইজৎ মাংহনবা, হাৎপা, রেন্সম তানবা, দ্রগ করবার তৌবশিং ফাদুনা দন্দি পীবা ঙমদ্রবা সরকারনি। সরকার অসিদি মণিপুর মচেৎ তানবা সিজ ফায়র চৎনরিবা লুপশিংদা মণিপুর লম পীথোকপদা য়াবা সরকারনি। মরম অসিনা আশা লৈত্রবা থৌদোক কয়াগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রবা সরকারসিদা আশা তৌদবিদা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা ঙসিগী মহৈরোইশিংনা লিংজেল মান্ননা থবক  চংশিনমিন্নবা মতম ওইরে হায়খি।

থৌরমদুগী গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোলদা মণিপুর কলেজগী ইংলিস দিপার্টমেন্টকী লেকচরর এল গোজেন্দ্রোনা হায়খিবদা ঐখোয় মহৈরোই অমা ওইরবদি করি তৌগনি হায়বসি খঙমিন্নবা চংই। মসিদা য়েলহৌমী হায়বসি করিনো, মখোয়বু কমদৌনা কনগনি হায়বসিসু খঙবা তাই। মহৈরোই হায়বসিদি লমচৎ-শাজৎ ফজবগা লোয়ননা ইথক থোংবশিংনা তাকপী-তম্বীবা  লিক্লমদা চৎতুনা সমাজগী অফবা থবক তৌগদবনি। নত্রগদি সরকারনা ট্রেনিং তৌনিংবা তৌবদগী অৱাবা কয়া ওইরক্কনি। লোয়ননা সার্টিফিকেটতা বেজ তৌবা করপসন মচা পোকহনগদবা এডুকেসন সিষ্টেমদগী লাপথোকমিন্নবা তাই।